# কুমজা ১৯৯৪দা মহারাষ্ট্রদা তৌখিবা থার্দ নেসনল গেমসতা ঐহাক শুটিংদা গোল্ড মেদল অমা ফংজরকখি: লৈশাংথেম তোম্বা



লৈশাংথেম তোম্বা (শুটিং কোচ)

(হান্নগী মখা...)

মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুংদা শুটিং মশান্নসি দিভলপ তৌনবা হোৎনবদা ঐহাক অহল লমনশিংগী মতুং অমুক ইঞ্জরকখি। অহল-লমনশিংনা হান্না থৱায় য়াওনা তৌবীরকখিবা মণিপুর রাইফলস এসোসিএসন অসি কুমজা ১৯৭৬তগী মুৎখ্রে হায়না লৈরমখি। নহারোলগী অকনবা ঈরাং লাকখিবগা মরী লৈননা রাইফল শুটিংগী গেম অসি মখা তানা কাপ্পা য়াররোই হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী থিংলকখিবনি হায়। মতম শাংনা লেপ্পুরবা মতুংদা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৯৯দা পাঙথোকখিবা 'মঙাশুবা নেসনল গেমস' নংনবা শুটিং রেঞ্জ শানবগী ৱাফমসি লাকখি।

অমরোমদা, শুটিং রেঞ্জ খুমন লম্পাক্তা শাবা হৌরকখিবসি কুমজা ১৯৯৭/৯৮দগী হৌরকখিবনি। অসুম হায়না শুটিং রেঞ্জ অসি নৌনা অমুক লৈরকখিবনি। অদুগা ফিফ নেসনল গেমসকী মতুংদগীদি ঐহাকসু নেসনলগী শান্নবা চৎপসি মণিপুরদগী ওইনা শান্নরকখি। হান্না শান্নরম্বগী ইনর্জি হন্থখ্রবসু মেদল অমদি শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বসিমদি মতম চুপ্পদা লৈজরকখি। কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারী থাদা ফিফ নেসনল গেমস লোইখ্রবা চহীদুগী দিসেম্বরদা পঞ্জাবকী ফিলোর তৌখিবা ৪৩শুবা নেসনল শুটিং চেম্পিয়নশিপতা ঐহাক অহানবা ওইনা ইশাগী ষ্টেট মণিপুরদগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নবা চৎচখি।

পঞ্জাব চৎপসিদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী কোচ ওইরিবা ওজা বিনোদনা টিম কোচ অদুগা টিম মেনেজরনা কৈশামথোং তোপ লৈরক্তগী লোংজম তা শান্তিকুমারনা টিম মেনেজর ওইনা পুবিখি। শুটর ওইনা চৎখিবসিনা খোংমন্দগী ঐগ্যা শ্যামকহ্লাইগা অঙাং খরগা ঐখোয়সি চৎলি। ঐদি ইশানা মশান্নসি পামজরকপগী থাদোকপা ঙমদদুনা খোঙচৎতুদা য়াওজরখিবনি। অদুবু শান্নবসি চৎলমদাইগী বস কারমদাইসিদা মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী জোইন সেক্রেটরি ওইরম্বা তামো সলাম শন্তোসকুমারনা প্রপ-প্রপ চেল্লক্লগা তোম্বা তোম্বা সাইগী থবক লৌদৌরিবনি। হন্দক্তি শুটিংগীসু কোচ শোয়দনা কৌরক্কনি। অদুনা নহাক মেদল অমা লৌরক্তবা য়াদবনি হায়বীরকখি।

ঐনা দেল্লিদগী মেদল ময়াম অমা লৌদুনা লাক্লবসু থবক অমত্তা ফংদনা ষ্টেটসিদা লৈবসি অহল-লমন খরনদি নুংঙাইতে। মণিপুর ষ্টেটতা চান্নবা থবক অমদি ফংহন্নীংই। নেসনল গেমসতা ঐহাকসু গোল্ড মেদল লৌজরকখি। অদুবু কুমজা ১৯৯৪দা দেল্লি ষ্টেটকী ওইনা লৌখিবনিনা মণিপুরদদি কয়াসু খঙবীখিদে। অদুনা পঞ্জাবতা চৎপসিদদি ঐহাক মণিপুর ষ্টেটকী মেদল অমদি শোয়দনা লৌবা ঙম্নবা হোৎনরগে খল্লগা বস কাখৎতুনা নুংঙাইনা ফল্লগা চৎখি। পঞ্জাব য়ৌরে, ৱাখল নুংঙাইনা কাপ্পে। অদুবু হকচাংসিদি সিজন তৌরগা, কাঙলোন চুন্না চাং নাইনা ত্রেনিং তৌরগা চৎপা নত্তবনিনা মেদল ফংননবখক্কী হকচাং থেক্তোক্লগা কাপপদা মসলগসি অমতা য়াদ্রে। নম্পুদা ঙম্ননবা হোৎনজবদগী ব্রোঞ্জ অমদি উচিন নাচিন্না ফংবা ঙমজরকখি। কুমজা ১৯৯৯গী মতমসিদদি হকচাংগী ওইনসু মসল দাউন তৌথরক্লবা মতাংনি। অদুবু থবক চঙনবগী ৱাখলদা মেদল অমদি ঐসু নমদুনা পুরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০০০গী সেপ্তেম্বর ৪দা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস একাদেমি হায়দুনা লৈরম্বসিদা ঐহাক শুটিংগী কোচ ওইনা কন্ত্রেক্টতা লৈজরকখি।

খুমন লম্পাক্কী হোষ্টেল নম্বর টু হায়না খঙনবা মফমসিদা লৈদুনা মণিপুরদগী শুটিং শান্নরোয় শেমগৎলকপদা ঐ ইশাগী ওইনসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনজরকখি। খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জসি হান্নদি কনামত্তা লৈরমপোৎ নত্তে। অহানবা ওইনা ঐখোয়না হৌরকখিবনি। নোংমৈগসিসু ফিফ নেসনল গেমসকী চেনখিবশিংদু ঙাক্তনি। এয়র রাইফল অহুম, পিষ্টোল অহুম পূন্না তরুকখক্তনি। মতৌ অসুমহায়না মণিপুরদা মোর্দন শুটিংগী ৱারীসু লাকখিবনি। হান্না ঙল্লিঙৈ মতমদা শুটিংগী অহল্লোন ময়াম অমা লৈবীরম্মী। অথিংবা খরনা মরম ওইরগা লেপখিবদগী শুটিংগী মতাংসিমদি মতম শাংনা মরক্তা গেপ অমসু লৈখি। অদুনা মশান্নসি মতম খরা শিথরম্বনি।

কুমজা ১৯৯৮দা নৌনা অমুক এসোসিএসনগসি শেমগৎলকপনি। মণিপুর রাইফলস এসোসিএসনগী, কুমজা ১৯৯৮দা ওইখিবা প্রসিদেন্টনা দা এল চন্দ্রমনি (মতমদুদা মণিপুরগী দেপ্যুটি সী এমগী ফমসু পুবিরি), এ হেলিম চৌধুরিনা সেক্রেটরি, ঙাইরাংবম বীরেন্না জোইন সেক্রেটরিনি। এসোসিএসন অসিগী চৎন-কাঙলোন পূন্নমকসু হান্না হৌদোকপীরম্বা অহল-লমনশিংনা তৌবীরম্বা অদুগী মখা চত্থদুনা পরম অমত্তা কায়হন্দনা তৌরকখি। ঐহাক ইশামকসু গেম টেক্নিকেল কম্মিটিগী মেম্বর ওইনা য়াওরকখি। মরক্তুদা টেনসু অদুম কাপচরকখি।

মণিপুরদা মোর্দন শুটিং স্পোর্টসকী ইহান হান্না চেম্পিয়নশিপসি কুমজা ২০০০দা হৌরকখি। অদুবু হান্না তৌখিবা শুটিং এদিসনশিং অদুসু কায়হন্দনা ১১শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন হায়না মীংথোল্লগা পাঙথোরকখি। ষ্টেট কম্পিটিসন অসিদসু ঐহাক ইভেন্ট মরিদা শরুক য়াজরকখি। মদুদা গোল্ড মেদল ৪ লৌবা ঙমজখি। অয়াম্বা ঐনা লৌখিবসি পিষ্টোলসিদা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল, মিটর ২৫গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল, মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোল অদুগা মিটর ৫০গী ফ্রি রাইফল প্রোন অসিদনি। কুমজা ২০০০দা ঐহাক্না মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোলদা থল্লম্বা রেকোর্দসি কুমজা ২০১৬তা থুগায়খিবদা ঙাইরি। মণিপুরদা ঐনা দেল্লিদগী হল্লক্লগা কাপ্লিবা মওংসিদি কম্পিটিসনগীনি হায়না কন্না হোৎনরগা কাপ্পসু নত্তে। ত্রেনিং কূপ্না তৌরকপনিনা ফজবা টেক্নিক খরদি খঙজরগা লাকচখি। অদুনা কম্পিটিসনদা হেক্তা কাপ্লীংবা অমসু লৈ। চে-চাং শুবা, মার্ক তিনশিনবা শুটিং কম্পিটিসনগী টেক্নিকেলগী ওইবা থবক থৌরমশিং অসিসু হেক হৌবদগী ঙসি ফাওবা ঐনা পায়জরি।

অমরোমদা, কুমজা ২০০০গী সেপ্তেম্বর থাদা এন ঈ এস একাদেমিদা লৈরম্বা শুটরসি পূন্না ৩৪নি। মপান্দগী লাকপা অঙাংশিং খরসু লৈরম্মী। অদুনা শুপ্পগী খূৎলায় তরুকখক্তুদা অঙাং ময়াম ত্রেনিং তৌবদু খুদোংচাদবা খরদি থোকই। অদুবু অফবা অঙাং শেম্নিংবনিনা ঐহাকসু কোচ অমা ওইনা ঙম্না ঙম্নবা হোৎনজরকখি। য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট কোচ ওজা বিনোদকা লোয়ননা শুটরগী অঙাং শেম্লকপা মতমদুদা অফবা নেসনল থাক্তা মেদল লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় পুথোকপা হৌরকখি।

-মথং-মথং



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

শুটিংদা মীৎয়েং অমা

# য়ুকী বাম্ব্রিনা টোপ সীদ জোর্দান থোমসনগা চেন্নাই ওপনগী ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি



চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : অনীশুবা সীদতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী য়ুকি বাম্ব্রিনা টোপ সীদতা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দনা থোমসনগা চেন্নাই ওপন এ টি পি চেলেঞ্জরস টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা থেংনরগনি।

সেমী ফাইনেলদা য়ুকি বাম্ব্রিনা অহুমশুবা সীদতা লৈরিবা কোরিয়াগী দকহিলিবু ৭-৫, ৬-২দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। অমরোমদা জোর্দান থোমসন্না স্পেনগী অন সীদেদ পেদ্রো মার্টিনেসপু ৬-১, ৭-৬তা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

য়ুকি বাম্ব্রিনা কোরিয়াগী দকহিলিবু মায়থীবা পীননবা হোৎনবদা মেচ অদু পুং ১গা মিনিট ২৫ রোম চুপ্না শান্নখি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইরিবা বাম্ব্রিনা অহানবা গেম অদু ৭-৫দা মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা সেটতদি থোইদোক্না অরুবা মওংদা শানবগী মতৌ উখিদে। অনীশুবা গেমদসু বাম্ব্রিনা ৬-২দা মায় পাকখি।

মেচ অদু মায় পাক্লবা মতুংদা য়ুকি বাম্ব্রিনা হায়খি, ঙসি শান্নখিবা মেচ অদু তরাই তরাইবা মেচ অমদি ওইখিদে। অদুমকপু মেচ অসিদা মায় পাক্কনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা অদুদি লৈখি। মেচ অসি মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অসিদা নুংঙাইবা পোকই। ফাইনেলদসু মায় পাক্লবা অঙম্বা থাক্তা শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## স্পোর্টস মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৬ (এজেন্সি) : এসিয়ন পেরা সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী পেরা সাইক্লিং কন্টিনজেন্টনা শিলভর অমা অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌরকখিবদা স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজবর্ধন সিংহ রাথোরনা ইন্দিয়ন কন্টিনেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। ইন্দিয়ন পেরা সাইক্লিং কন্টিনজেন্টনা এসিয়ন পেরা সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা লৈবাক অসিগী ফিরালবু মকা লান্না হাইহনখিবগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎখিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউথোকচনীংঙাইনি। অসিগুম্বা পেরা সাইক্লিং এথলেটশিং অসিবু উনদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপনি। ম্যান্মারদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন পেরা সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা দেবিসসানা শিলভর মেদল, বি এস এফকী লান্মী হরিন্দর সিংহ অমদি মধুবাগ্রিনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবনি। ইন্দিয়াগী পেরা সাইক্লিং কন্টিনজেন্ট অসিবু সাইক্লিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানসু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬৫

১। মহাক আর্মি ওফিসরনি, মপানা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। মহাক্না ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। সম্মর ওলেম্পিক্তা ইক্বেষ্টরিয়ান্দা শরুক য়াবদা মরিশুবা তাখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

২। মহাক ওলেম্পিক্কী লমজেলদা অনীশুবা তাখি। চহী অনী লৈরগা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাউদা সিফাই ওইনা শরুক য়াদুনা ফ্লেন্দরগী লানফমদা লান শোক্লখি। লান লোইগদবা থা অহুমলোমতমক ঙায়রবা মতমদা ফাইটর তোংদুনা চৎপদা প্লেন কায়দুনা শিখি। মহাক কনানো?

৩। মহাক অনীশুবা লাঞ্জাউদা অমেরিকাগী অফাওবা জেনরেল অমনি। মহাক মোর্দন পেন্তাথলোন্দা শরুক য়াদুনা ওলেম্পিক্তা খনগৎপা নিপালগী মনুং চনখি। মহাক কনানো?

৪। মণিপুরী লোন্দা ইবা 'ওলেম্পিক গেমস' হায়বা লাইরিক অদু কনানা ফোঙবগে?

৫। উৎলিবা শক্তম অসি কনাগীনো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৬৪ গী পাউখুমশিং

(১) ভিক্টোরিয়া অজারেঙ্কা (২) দেবজানি (বেদমিন্টন)
(৩) তেংলৈ মকাম্বা (৪) ইশোক্রেটস (৫) এলদো সিমোনসিনি

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৬৪গী ৱাহং ৫গী অচুম্বা পাউখুম মশীং য়ামদবনা ক্যুইজ অসিগী মনা থমজদ্রে।

৯শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট বি কে ত্রোফি ২০১৮

## ৱাই সী সী এ-এনা আর কে আর পিবু মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : য়ঙ ক্রিকেটরস বামোন কম্পুনা শিল্লগা বামোন কম্পুদা লৈবা ইরিলবুং হায় স্কুলগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা ষ্টেট লেভেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট বি কে ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱাই সী সী এ-এ চজিংনা আর কে আর পি শগোলবন্দবু রন ৮দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬ না শরুক য়ারগা পুল মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা বি কে ত্রোফি ২০১৮ অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঙসি আর কে আর পি শগোলবন্দ অমসুং ৱাই সী সী এ-এ চজিং শান্নখি। মেচ অদু আর কে আর পিনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই সী সী এ-এ চজিংনা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩৪ লৌখি। ৱাই সী সী এ-এগী বিশ্বরজিৎনা বোল ৩১দা রন ২৫, বিটেশ্বরনা বোল ২৩দা রন ২৭, বসিদনা বোল ১৬তা রন ২৬, দমেন্না বোল ১২দা রন ১৩, প্রিয়োবর্ত্তনা বোল ৮দা রন ৬, সরজুনা বোল ৩দা রন ৭, অবদুলানা বোল ৮দা রন ১৪, ইনাওনা বোল ৪দা রন ১, প্রবিন্না বোল ১দা রন ১ অমসুং মঙ্গিনা বোল ১দা রন ১ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা আর কে আর পিনা ওভর ১৮দা ওল আউট ওইরগা রন ১২৬ খক লৌদুনা মায়থীহৌখিবনি। অদুগা মেচ অদু ৱাই সী সী এ-এনা রন ৮দা মায় পাকখিবনি। আর কে আর পিগী এল কিষন্না বোল ৫দা রন ১, সুনিল বোসনা বোল ১২দা রন ৪, রাহুলনা বোল ৮দা রন ৪, টেজকুমারনা বোল ৫দা রন ৩, জেম্পু কামৈনা বোল ৮দা রন ১৩, লাম্বনা বোল ২৯দা রন ২৩, কিষন্না বোল ৪দা রন ৮, বিকাসনা বোল ১৫দা রন ৩৭, নরসিংনা বোল ১০দা রন ১৫ লৌবা ঙমখি। প্রাইম অমসুং রাজেস পটেলদি রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

মেচ অদুদা ৱাই সী সী এ-এগী বিশ্বরজিৎ, ইনাও অমসুং সর্জুনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। মঙ্গিনা ৱিকেট ৩ অমসুং বিটেশ্বরনা ৱিকেট অমা লৌখি। মেচ অদুদা ৱিকেট ২ লৌখিবগা লোয়ননা রন ২৫ লৌখিবা ৱাই সী সী এ-এগী বিশ্বরজিৎনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

## ৬শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস আর্চরি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস): মণিপুর পুলিসনা য়ূম্বু ওইরগা তরুকশুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ মেন এন্দ ৱিমেন লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৯দগী ২৩ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি।

তরুকশুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস আর্চরি চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ অসিগী মিদিয়া কম্মিটিগী মীহুৎ ওইরিবা মণিপুর পুলিসকী দি আই জি রেঞ্জ ৱান কে জয়েন্তনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চেম্পিয়নশিপ অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৯গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা মণিপুরগী গভর্ণরনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌদোক্কনি। অদুগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী কম্পিটিসন-শিংনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী আর্চরি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। অদুগা চেম্পিয়নশিপ লোইশিনবগী থৌরমদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ফেব্রুৱারী ২৩দা পাঙথোক্কনি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অমদি সেন্ত্রেল পুলিস ওর্গেনাইজেসনশিংগী টিম ২৩না চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুকয়াগনি হায়রি।

## এম এম টি এনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ন মাউন্টেনিয়ারিং ফাউন্দেসন্না ৫০ মাউন্টেনিয়ারিং এক্সপিদিসন হিমালয়াগী চীংশাংদা পাঙথোক্লনবা হোৎনরি। এক্সপিদিসন অসি পাঙথোকপগী পান দমদি চীংশিংবু লূ-নান্না থম্বা অমদি চীংশিংদা স্বাছ ভারতকী এৱ্যার্নেস পীনবগীদমক্তনি। মরম অসিনা বেসিক মাউন্টেনিয়ারিং কোর্স নৎত্রগা এদভান্স মাউন্টেনিয়ারিং কোর্স লোইরবা ষ্টেট অসিগী কেন্দিদেটশিংনা হায়রিবা এক্সপিদিসন অসিদা শরুক য়ানীংলবদি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২৭ ফাওবগী মনুংদা রিজ্যুম (বাইও-দেটা) পীশিল্লক্লগা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন (এম এম টি এ) না খঙহল্লক্লি।

## ৭৮শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : আই জি পি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পি এফ বিক্রম সেগালগী মীৎয়েং মখাদা ৬৯শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা শিল্লগা য়ুনিট হেদ ক্বার্টর মন্ত্রি পুখ্রিদা ফেব্রুৱারী ১৩দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্টর জি সী এস/বট্টালিয়ন্স (ওপস) বোল্লিবোল কম্পিটিসন ২০১৮গী চেম্পিয়ন ৭৮শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগা মরী লৈননা ৬৯শুবা সী আর পি এফকী সী ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, তোঙান তোঙানবা সী আর পি এফকী টিম ৯না শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা বোল্লিবোল কম্পিটিসন অসিগী ফাইনেলদা ৭৮শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা ১০৯শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফবু ৩-০ (২৫-২২, ২৫-১৫, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা বৃগেদিয়র (রিটয়ার্দ) এস কে শর্ম্মা, দি আই জি পি রেঞ্জ ইম্ফালনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা ৬৯শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট ধরমপ্রকাস অমদি ওফিসিএল কয়াসু দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## কংলৈ চৈবি য়েন্দম্নবা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ২০১৮গী শরুক অমা ওইনা মণিপুর চৈবি এসোসিএসন্না শিল্লগা কংলৈ চৈবি য়েন্দম্নবা ষ্টেটকী থাক্তা ইবুধৌ থাংজ লাকপা থোংজু পার্ট টুগী লাইবুংদা লাক্লিবা মার্চ ২দগী মার্চ ৬ ফাওবা নুমিৎ ৫নী চুপ্না পাঙথোক্লগনি। চৈবি য়েন্দম্নবগী চাংদম্নবা অসিদা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইবা চহী ১২ মখা অমদি চহী ১৪ মখাগী কেটাগোরিশিং খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কনি। ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসন্দা য়াওরিবা লূপশিংগী শিন্তাকপুরেলশিংনা মখোয় মখোয়গী লূপশিংগী শান্নরোয়শিংবু চাংদম্নবা অসিদা য়াওহনবা য়াগনি হায়না ওল মণিপুর চৈবি এসোসিএসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।



HL-B/4352/19/1-18-2

## ভেটরান ক্রিকেট : মোদেল ক্লব-বিনা সী সী সী চজিং রন ৫৭তা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ (ঐচএনএস) : মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিল্লগা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরিগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৫শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা মেচতা মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখানা সী সী সী চজিংবু রন ৫৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

১৫শুবা মণিপুর ভেটরান টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাদগী সী সী সী চজিং অমসুং মোদেল ক্লব-বি চীংঙামখা শান্নখি। মেচ অদু মোদেল ক্লব-বিনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব বিনা ওভর ৩০দা ওল আউট ওইরগা রন ১৩২ লৌখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক রন ১৩৩ লৌবা মথৌ তারবসু অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সী সী সী চজিংনা ওভর ১৭তা ওল আউট ওইরগা শুপ্পতগী রন ৭৫ খক লৌদুনা মেচ অদু মায়থীখি। অদুগা মোদেল ক্লব-বিনা মেচ অদু রন ৫৭তা মায় পাকখিবনি। ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেচ অদু মায় পাকহনবদা অচৌবা মতেং ওইখিবা মোদেল ক্লব-বিগী প্যারিলালনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

১৫শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ১১ তাবদগী ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং চেম্পখাগেম্পল্লি শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা মেচশিংদা কে এস সী লম্বুলেন্দনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৪দা অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা নাপসাবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখিবা লৈখ্রবনি।



HL-P/3209/10feb-11march